# ফর্স্ট দিভিজন ফুটবোল লিগঃ এল এম এল সী সী লাংমৈদোং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিএশন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা সুপর দিভিজন অমদি ফর্স্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং অমসুং দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী মায় পাকখ্রে।

দি এস এ ককচিংগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টিম ১১না কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোক্নুনা চথরিবা ২২ রক শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ওইনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা অহানবা গ্রাউন্দগী ৫ শুবা লিগ মেটচতা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং অমসুং এস এ ও ককচিংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্নবা শান্নবা ঙল্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল এম এল সী সীনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। এল এম এল সী সীগী অহানবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২৮ অমসুং অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা মথংশিংনা টি ঐচ ৱিলসন অমসুং ৱাই অভিনাসনা অমমম চনখিবনি। অদুগা এস এ ও ককচিংগী পাঞ্জল অদুনা ২৭ শুবা মিনটতা এস বেকারনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা এস এ ওগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু এল এম এস সী সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পাদুনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা এস এ ওনা চথরকখিবা এটেকশিং অরেম্বা তাহনখি। অমরোমদা এল এম এল সী সীনা মেটচকী ৬৪ শুবা মিনটতা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় এল লৈশেম্বনা চনখিবনি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এস এ ওগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এল এম এল সী সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা চথরকখিবা ২২ রক শুবা কে এস ঐচ কিশ্বরকুমার ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীনা আই ৱাই এ ককচিং মায়থীবা পীরমখিবনি। ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্নবা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। নাকল অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬৬ শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী লভসন য়ুম্নামনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা আই ৱাই এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু দি ৱাই এনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# হৌদোকপা নুমিৎতা আর এস পি বি, পি এস পি বি অমসুং কোম্পট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া মায় পাকখ্রে

**ঝরখন্দ, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ৫ রকশুবা হোক্কি ইন্দিয়া সিনিয়র মেন ইন্টর দিপার্টমেন্ট নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচশিংদা রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ (আর এস পি বি)না সাস্ত্র সিমা বন (এস এস বি), পেট্রোলিয়ম স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ (পি এস পি বি)না টামিলনাদু পুলিস অদুগা কোম্পট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ক মায়থীবা পীখ্রে।



ঝমসেদপুরদা লৈবা নভাল টাটা হোক্কি একাদেমী গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদোকখিবা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী অহানবা মেটচতা আর এস পি বি অমসুং এস এস বিগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা হোক্কি মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী আর এস পি বিনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এস এস বিবু আর এস পি বিনা পাঞ্জল ১৩-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। আর এস পি বিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১২, ২০, ৪৪, ৫৫ শুবা মতমদা গুরসাহিবাজিৎনা মরি, ১৩, ৪৭ শুবা মিনটতা পঙ্কজনা অনী অদুগা ২১, ২৫, ৩০, ৪০, ৫১, ৫৭ শুবা মিনটতা মথংশিংনা প্রতাপ লক্রা, সেসে গৌদা বি এম, দর্শন ভৈবব গাওকর, সিভম অনন্দ, সমন্ট, পর্মপ্রিট সিংহ অমসুং টরিক সিংহনা অমমম চনখিবনি।

ঙসি অনীশুবা মেটচ ওইনা টিম এগীদা পি এস পি বি অমসুং টামিলনাদু পুলিসকী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু পি এস পি বিগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংখি। মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি এস পি বিনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অহানবা হাফকী ওইনা পি এস পি বিগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২ অমসুং ২৬ শুবা মিনটতা টলবিন্দর সিংহ অমসুং গুজিন্দর সিংহনা অমমম চনখিবনি। অদুগা টামিলনাদু পুলিসকী পাঞ্জল অদুনা ১৭ শুবা মিনটতা মথান এমনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা লাকচনা শান্নবা ঙল্লিবা পি এস পি বিগী শান্নরোয়শিংনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুবু টামিলনাদু পুলিসকী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি এস পি বিনা পাঞ্জল ৬-১দা মায় পাকখিবনি। পি এস পি বিগী অনীশুবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩১, ৩৩, ৪৪ অমসুং ৫৬ শুবা মিনটতা মথংশিংনা গুজিন্দর সিংহ, দেবিন্দর সুনিল ৱালমিকি, বিস্বাস জি অমসুং টলবিন্দর সিংহনা অমমম চনখিবনি।

ঙসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা পুল বিগীদা কোম্পট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অমদি পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ককী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কোম্পট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৬-৩দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। কোম্পট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচকী ১৫, ৪২ শুবা মিনটতা ভারত মহালিঙ্গপা কুরটাকোটিনা অনী অদুগা ১১, ২৯, ৩২, ৩৪ শুবা মিনটতা থ্রিসুল গনপথি, গনেস মাজি, সলফরাজ খনপাথন অমিট অমসুং সরয়প্রকাসনা অমমম চনখিবনি।

# এস জে সী সঙাইথেল রোদনা কে এ এন উরিপোক কাংচুপ রোদ থোইখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট ২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দগী হৌদুনা চথখিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস জে সী সঙাইথেল রোদনা কদাংবন্দ অপুনবা নহারোল (কে এ এন) উরিপোক কাংচুপ রোদপু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্নবা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা মান্নবা লৈখি। পাঞ্জলশিং অদু এস জে সীগী ওইনা ২৪ শুবা মিনটতা সনাথোইনা অদুগা কে এ এনগী ওইনা ৩৬ শুবা মিনটতা অজিৎনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা এস জে সীগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক কে এ এনগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এস জে সীনা পাঞ্জল ৬-১দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# অহুমশুবা প্রেমিয়র লিগ অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগকী ওফিসলশিং এপোইন্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুলকশুবা প্রেমিয়র লিগ অমসুং ১৮ লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মেটচ ওফিসলশিং এপোইন্ট তৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মেটচ ওফিসল ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিং অদুদি মেটচ কম্মিস্নরশিংদা ঐচ খম্বা, এস জেমসকুমার, থার্চুং চরা অমসুং ঐচ অমরজিৎনি। রেফরি এসেসরশিং ওইনা এম মাঘো, এল অজিৎ মৈতৈ, পি ঐচ লম্হোইবা, এল তরুনকুমার অমসুং এল রোপেন্দ্রনি। রেফরিশিং ওইনা এস কেনেদি, এল রোজিৎ মৈতৈ, এল হরিমোহোন, আর কে অঙৌসনা, সি ঐচ সমসন, সি ঐচ রোবিন্সন, ৱাই হেমন্তা, এস তোম্বী, এস কৃষ্ণকান্তা, এল নাওপা, সোয়েব খান, দিঙ্কু অতোম, এম ননাও, এস তাতু, টি রাজেস কোম, ঐচ এল এটলি, কে ৱাংলেন, অনন্দ ঙাইরাংবম, ভাদিংথোই, পি ঐচ জোটিন, হৈক্রুজম সন্তোস, এল সেপৌ, ঐচ অজয়, সিঙ, হোনরৈসো কাসুম সিমরে, এম রিগান, এল সনাতোম্বা (থৌবাল), টি হেমন্তা, এল অমরজিৎ অমসুং কোনসিংৱোর থুমলি মোন্সাংনি। হৌজিক থোক্লিবা মেটচ ওফিসলশিং অসি লৌথোকপা নত্রগা মখা তানা হাপচিনবা হায়বসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী অপাম্বগী মখা পোল্লি হায়রি।

# দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমদি ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস):** মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ঙসিদগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৩৭ রক শুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমদি ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হৌদোকখ্রে।



থা অসিগী ৫ ফাওবা নুমিৎ ৫নি চুপ্না চথগদবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা নুপা অমদি নুপীমচা কাঙলুপকী ওইনা চহী ৯, ১৩, ১৭ অমসুং ১৯ হায়না কেটাগরি মরি থোক্না খায়দোক্লগা অথোয় অহেন তান্নগনি। দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব এন্দ ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশনগী ওনরেরি সেক্রেটরি নিংথৌজম প্রিয়োবর্ত্তনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবদা মমা মপা ওইবশিং অমদি লৈকায় লৈকায়দা লৈবা ক্লব অমদি এসোসিএশনগী থৌদাং য়াম্না চাওই। হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা নহাশিংনা শান্নবা অমদি লাইরিক লাইশুদা মায় ওনশিনদুনা মশা মউ ফনা লমদম অসিবু মালেমগী মীয়াম্না মশক খঙহনবদা শান্নরোয়শিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ অমদি ফৎত্রবা ময়ায় কাবা চীঙাক্কী ইপাক্তগীসু মায় পাক্না ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়খি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তগী লোয়ননা ইন্দিভিজুএল টিম অনী য়াওরগা পুন্না টিম ৮দগী লাকপা নুপা শান্নরোয় ১৪০ অমদি নুপী শান্নরোয় ৫২ পুন্না শান্নরোয় ১৯২না অথোয় অহেন চাংদম্নবগী থৌরমদা অদুদা শরুক য়ারি।

# ইন্দিয়ান জুনিয়র হোক্কি টিমনা কেনবেরা চিল মায়থীবা পীখ্রে



**কেনবেরা, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী):** ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়ান জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি টিমনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা টুর অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্নুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙল্লি।

কেনবেরাদা লৈবা নেশনল হোক্কি সেন্টরদা ইন্দিয়ান জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি টিম অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী কেনবেরা চিলগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্নবা শান্নবা ঙমখি।

অহানবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ১১ শুবা মিনটতা কেনবেরা চিলগী নাওমি ইভাননা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ইসিকানা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিং অদুম্মক হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরগী ২৭ শুবা মিনটতা ইন্দিয়া টিমদা য়াওরিবা সোনমনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৩৯ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ইসিকানা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগীনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা কেনবিরা চিলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনরবসু মেটচ লোইবা ফাওবদা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

# মেদল লিগ সোক্করঃ চিকাগোনা ইন্টর মিয়ামিবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে

**ফ্লোরিদা, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী):** য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা মেজর লিগ সোক্কর (এম এল এস)গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চিকাগোনা ইন্টরমিয়ামি মায়থীবা পীখ্রে।



ফ্লোরিদাদা লৈবা চেজ ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইন্টর মিয়ামিগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুদা ইন্টর মিয়ামিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬৫ ওইখিবা মতমদা চিকাগোনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৫ ওইখি। মেটচ অসিদা ইন্টর মিয়ামিনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু চিকাগোগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং মশিং হেন্না চথবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১১, ৩১ অমসুং ৪৩ শুবা মিনটতা চিকাগোগী জে দি অভিলা, জে নাথন দিল অমসুং রোমিনিগ কুমেনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। অদুগা ইন্টর মিয়ামিগী ওইনা ৩৯ শুবা মিনটতা তোমাস অভিলেসনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা চিকাগোনা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা চিকাগো অমসুং ইন্টর মিয়ামি অনীনা পাঞ্জল ২-২ চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু চিকাগোনা পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাকখিবনি।

# চাইনা ওপনঃ জেনিক সিন্নরনা অমেরিকাগী লার্নর টিয়েন মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি লৌখ্রে



**বৈজিং, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস):** চাইনানা য়ুম্ব ওইদুনা বৈজিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা চাইনা ওপন ২০২৫কী মেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মালেমগী অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরিবা জেনিক সিন্নরনা অমেরিকাগী লার্নর টিয়েনবু মায়থীবা পীরম্লগা লেমজনিংঙাই ওইরবা চাইনা ওপনগী ত্রোফি লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মহাক্না অচৌবা টাইটল ২১ লৌবা ঙমখ্রে।

বৈজিংগী হার্দ কোদতা ঙসি মহাক্না মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অনীরকশুবা ওইনা নোভাক জোকোভিক অমসুং রফেল নদালগী মতুংদা চাইনা ওপনগী টাইটল অনীরক লৌবা ঙম্বা টেনিস শান্নরোয় ওইবা ঙমখ্রে।


অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবা জেনিক সিন্নরনা লার্নরবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা ষ্ট্রেট সেট ৬-২, ৬-২দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# পোষ্টিং কম্মিটি শেমখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস):** অহুমশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬কী ওইনা মেটচ ওফিসলশিংগী পোষ্টিং কম্মিটি অমা শেমখ্রে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পোষ্টিং কম্মিটিদা য়াওরিবশিংদি এল নবা (চ্যেরমেন), এস জেমসকুমার (কনভিনর) অমসুং মেম্বরশিংদা মুহম্মদ জমি খান, পি ঐচ লম্হোইবা, এ বাবু অমসুং এ অজিৎ মৈতৈনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1609**

**Gioacchino Greco - NN**
**Europe, 1620**

1.e4 e5 2.Bc4 Nf6 3.f4 Nxe4 4.Nf3 exf4 5.O-O Bc5+
6.d4 Bb6 7.Re1 f5 8.Nc3 Qe7 9.Bd5 c6 10.Bxe4 Qf6
11.Bxf5+ Kd8 12.Ne4 Qh6 13.g3 Na6 14.Nd6 Qxd6 15.Ne5 Qf6
16.Qh5 g6 17.Bxg6 hxg6 18. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1608 Solution :**

**43. ...Rf3+ 44.Kh2**
*44.Kh4 Bf6+ 45.Kh5 Rh3#*
**44. ...Nf1+** *The black knight attacks White's king, which is defending the square h3.* **45.Kh1**
*45.Kg2 Rg3+ 46.Kxf1*
*46.Kh1 Rg1#*
*46...Rg1#Opera mate*
**45. ...Rh3+ 46.Kg2**
*46.Rh2 Rxh2#*
**46. ...Rg3+ 47.Kxf1**
*47.Kh1 Rg1#*
**47. ...Rg1#** *Opera mate*
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com